## এডিটোরিয়েল

# রাজনিতিগী ঈচেল মরক্তা মীখলগী লাল্লোং

*ইন্দিয়া টু দে গী এক্সিট ওপিনিয়ন পোল, খিত্তং ঙনমল্লি, মায়কৈ অমগী ৱেভ শাগৎপসু মাল্লি হায়নরিবসি চুম্বসু য়াই। মীখলগী নুমিৎ লাওথোকপা লৈত্রি, কনানা করম্বা পার্টিগী শোয়দ্রবা মীরেপ ওইগনি হায়বসু প্রজাশিংনা খঙনদ্রিঙৈ ওপিনিয়ন পোলনি হায়না হেক্তা ফোংনরিবসি অচুম্বা খোঙথাং নত্তে। বি জে পী, কংগ্রেস আই, এনপি ওফ নৎত্রগা অতোপ্পা পার্টি খুদিংমক মীখলগীদমক শেম শান্নরি, কন্না খন্নরি কনাবু থাগৎলগা পার্টিগী মায় পাকপা পুরক্কনি হায়না। অসুম্না চনৈনরিঙৈ, মথোং খঙদ্রিঙৈ ইন্দিয়া টু দে গী এক্সিট পোলনা বি জে পি না সরকার শেম্বা ঙম্বগী চাংদা মায় পাক্কনি, কংগ্রেসনা য়াম্লবদা অনীশুবা মফম কনগনি অমদি নাগা পিপল ফ্রন্টনা সিত ৩ দগী ৫ ফাওবা ফংগনি হায়বনচিংবা য়াম্না ঙন্না ফোংলক্লিবসি, প্রজাশিংনা চম্মন্নরি। চুম্মী, সেন্তরদা বি জে পি না সাসন পায়রি অদুনা ষ্টেটকী মীখল খুদিং বি জে পি না সরকার শেম্লগনি হায়বসি অতোপ্পা ষ্টেট কয়াগী ইলেক্সনগী ফলনা পুন্নমক চুম্মী হায়না লৌবদি লানগনি।*

*য়াম্না আশা তৌনিঙাই ওইবদা হৌজিক হৌজিক য়ং য়ং লাওনা এম এল এ ওইরম্বা, হান্নসু ষ্টেটকী মরুওইবা মন্ত্রি ফাওবা ওইরম্লবা রুল্লিং কংগ্রেস পার্টিগী মীওই অনী বি জে পি না হরাওনা লৌশিনখ্রে। লূরিবদি বি জে পি দা চংলক্লবা মীওই খুদিংমক বি জে পি গী টিকেট ফংবা ঙমগদ্রা হায়বসিসু ৱাহং অমা ওইরি । লোয়ননা কেন্দ্র খুদিংগী বি জে পি গী মীরেপ ওইগদবা মীওই ৩-৪ দগীদি তাদনা লৈরি। কনানা টিকেট ফংগনি ফংদ্রগনা করি অনৌবা লাল্লোং লাক্কনি হায়বসিসু তরাইনা লৌবা য়ারোই। য়াম্না পিকপা অশোয়বা অমনা মেনখৎপা ৱারগদবা ৱাথোক বি জে পি না মায়োক্লনবা ঙাইরি হায়নরি।*

*হেন্না কুপথনা ফংনবা পাউ অমনা বি জে পি গী মীরেপ ওইগদবশিংনা য়াম্না পেন্নদবা ৱাফম অমদি মীরেপ ওইগদবশিংগী মিং পাক হেক্তা লাওথোক্লোই হায়নরি। মীখল নকশিল্লক্লগা কোন্না মীরেপ ওইগদবশিংগী মমিং লাওথোরকপদা টিকেট ফংহৌদবা মীরেপশিংনা ইরাং হৌদনবা বি জে পি গী মকোকথোংবশিংনা য়াম্না কুপ্না খন্নরি হায়রি। কংগ্রেসতগী লাকপবু ওইরো নৎত্রগা অতোপ্পা পার্টিশিংগী মীওইশিংবু ওইরবসু শোয়দনা টিকেট ফংলগনি হায়বসিদি য়ামদ্রবদা মীওই ২ নৎত্রগা ৩ লোমদগী হেল্লগ্লোই। কনাসু খঙহন্দা সেন্তরনসু করম্বা মীওইদা পার্টিগী টিকেট পীরগা শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়বগী য়াম্না কুপথবা সর্ভেসু লোয়খ্রে হায়রি। এম এল এ ওইননবা লান থেংনগদবদু লান মমাংদা পার্টি মনুংগী লাঞ্জাও অমা মায় পাক্তবা য়াদ্রি হায়নরি।*

*অসিগুম্বা চনৈনরিঙৈ মরকসিদা ইন্দিয়া টু দে না এক্সিট ওপিনিয়ন পোলগী রিজল্ট পিথোরকপা হায়বসি খিত্তং থুমনবা, হাথু-হাথুবগী মায়োলদা ওনখিদুনা প্রজা অমদি মীরেপ ওইগদবশিংদসু চম্মনবা অমা ওইহল্লি হায়বসি লমদমসিগী অখঙ-অহৈ য়াওনা রাজনিতিগী মীওই পুন্নমক্কী ৱাখলদসু চনৈহল্লি হায়বা য়াই।*

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### থাজনরক্তবা

ঙসি ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা পেন্দবা অমদি অমনা অমবু থাজনরক্তবনা মপুং ওইনা শেম্বা চৎনবী অমা শাফু কন্না হুমজিল্লক্লে। খাংবা য়াবা খাঙলে। খাংবদা চোকথনরে। কদাইদনো অচুম্বা? কনাবুনো থাজগদবা? ইশানা ইশাবু থাজরক্তরে। নশানা নশাবু থাজনরক্তরে, থাজনদবগী চাং ওন্ননবা খুৎলায় হায়ববু ঙসিগী কংগ্রেস হয়েংনা বি জে পি ঙরাংগী ত্রিনামুল, ঙসিনা কংগ্রেস অতৈ অতৈ...।

আইন (লো) না ঙাকলৌ ওইনা থম্বা লমদমসিদা আইন ঙাক্লিবশিংনা আইনবু মশাগী শক্তিঃ ওইনা শীজিন্নরক্লবদি মীওইবনা শেম্বা আইনদু মীওইবনা থাজবা মাংলকপা মশানা তাবনি। দেমোক্রেসি (গনতন্ত্র) চৎপা লৈপাকনিনা ফ্রিদম ওফ স্পীজ ফ্রিদম ওফ রাইট লৈবনা ধরনা, রেল্লি, ষ্ট্রাইকনচিংবা মখল মখাগী খোঙজং কয়া চথনৈ। চথনরিবশিং লৈবাক্কী ওইবা ৱাফমদা তৌবসু য়াওই। মীওই খরগী পেন্দবগী তৌবসু য়াওই। মতম খরগী মমাংদা মণিপুরগী উকিলশিংনা বন্দ, ষ্ট্রাইক্কী মায়োক্তা রেল্লি চৎখি। লমদম অসিগী লৈঙাক মওং তাদবনা পেন্নদবদগী বন্দ, ষ্ট্রাইক, ধরনা, রেল্লি, মচা পোকহল্লি। খরা লৈরগদি ৱায়েনশঙদা কেস অমা চথবদা চহী মঙা-তরা চঙবা অদুগা লোইবসু নাইদবা, পেন্দবা কয়া রেল্লি চৎলকপসু য়ারি।

*অদোমগী*
*কেঐচএস সুরজ মৈতৈ*
*থম্বালখোঙ সাবল লৈকাই*

# ওক মচা পোকপদা অমসুং মসিগী চেকশিন থৌরাং

*প্রসান্তা সাইকিয়া কোলেজ ওফ ভেটিনরি সাইন্সেস এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি মীজোরাম*

ওক মচা পোকপা মতমদা ওক মপী অমসুং মচাশিংদা অশোয় অঙাম য়াওদনবা য়াম্না চেকশিনগদবনি। ওক্কোল অমদা শেন্দোং তানগে হায়রবদি ওকপি অমনা মশা মউ ফবা ওক মচা পোকপা তাবনি। ওক মচা পোকপা মতমদা চেকশিনবীবা ৱাৎপদগী ওক মচা কয়া পোকপদা অমদি পোকখ্রবা মতুংদা শিবা কোঙ্গাই অমা য়াওই। মরম অদুনা ওক লোইরিবা মীশক অদুনা মচা পোকপা মতমদা য়াম্না হৈ শিংনা চেকশিন থৌরাং লৌগদবনি। মচা পোকপদা ৱাহনদ্রবদি ওক মচা কয়া পোকপদা কানহনবা ঙম্মী। মখাদা পিরিবা অচম্বা মওংগী চেকশিন থৌরাং অসি পায়খৎপদা ওক মপী অমসুং মচাশিংদা অশোয় অঙাম য়াওহন্দবা ঙম্মী।

**ওক মচা পোকপা মতমদা তৌফদ্রবা ওক্কোনগী ফিভম**

১। ওক মচা পোকফম ওক্কোন অদু য়াম্না তরু তনানবা হকশেল কাংলোন নীংথিনা চৎনবা দাকার ওই।

২। পোক্লপপা ওক মচাশিং অদুতগী ওইবা মতিক চাবা পাক চাউবা ওইহনগনি। ওকপি অদুনা ননশিন্দুনা অশি অনা থোক্তনবা মফম অদুগী পাক চাউবা স্কার ফুট ১৫-২০ ফাওবা ওইহনগদবনি।

৩। মতিক চানা মঙাল ফংহনবা, মৈশা ফংহনবা য়ানবা খুৎশিল থৌরাং লৌখত্তুনা ওক মচাশিং অদু অইং অশাদগী ঙাকথোক্লবা শিনবিগদবনি। ইলেক্ত্রিক ৱাৎ ৬০ গী বলব ফুৎ ১.৫ ৱাংনা পোকফম অদুগী জগাদা থানবিগদবনি।

৪। ইঞ্চি ২ গী ডাইমিটর ওইবা G.I. পাইপনা শেম্বা Guard rails অদু ফক্লাংদগী অমদি লৈমাইদগী ইঞ্চি ৮-১০ লাপতক্লা থম্লবদি ওকপিনা মচাশিং অদু ননশিন্দুনা শিহনবদগী কনবা ঙমগনি।

৫। মচিঞ্জাক পিজফম অমসুং ঈশিং নীংথিজনা শেম শাবিগদবনি।

৬। মতিক চাবা স্কার ফুট ৮০-১০০ ফাওবা পাক চাউবা লৈমাই অদুগা চানবা অহাংবা মফমসু শেম্বীগদবনি।

৭। মচা পোক্লনবা কাখল লৈবা লৈমাই অমা শেম্বীরবদি ওকপি অদুনা তুশিল্লকপদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি।

মচা পোক্ত্রিঙৈদা ওকপি অদুগী চেকশিন থৌরাং

১। খুজিল শাংনা পাল্লবদি মদুনা খেৎপদগী ইহিং নাহিং মচাশিংদা থোক্লক্কদবগী ঙাকথোক্কবা খুজিলশিং অদু ককথোকপিগদবনি।



২। তনান তনানবা মহিক মতাং চেন্দবা মচা পোকফম কা মচা অমা শেম্বীগদবনি।

৩। ওক মপী অমসুং মচাশিং অদুনা অইং অশাদগী ঙাকথোক্লবা মোমপাক্লম্বা মফম শেম্বীগদবনি।

৪। ওক মপী অদুনা মবুক কংবা থা অহুম ফারক্লবা মতম অদুদদি ওকপি অদু মচা পোকফম কা অদুদা পুশিনবিগদবনি।

৫। ওকপি অদুনা মবুক কংবদু নুমিৎ ১০৭ নি রোম ফারক্লবদি মচিঞ্জাক পিজবগী চাং অসি শরুক অহুম থোকপগী অমদা হন্থহন্দুনা মচা পোক্ত্রিফাওবা পিজ পিথক তৌগদবনি।

৬। মচা পোক্কদৌবা পুং ১২ গী মমাঙদদি ঈশিং পিথকপা নত্তনা করিমত্তা পিজরোইদৌবনি।

৭। মচা পোকফম ফম্বাক অদু ইকং কংহন্দুনা অইং অশাগী চাং সেন্টিগ্রেৎ ২৪ দগী হন্থহনগনি।

৮। মচা পোক্কদবা মতম হাপ্তা অহুমগী মমাঙদা ওকপি অদু মশা শাগৎহল্লোইদবনি।

**মচা পোক্লমদাইদা মরু ওইনা পিরকপা খুদমশিং**

১। মচা পোক্লমদাই অসিদা ওকপি অদু লৈতানা লৈরক্তবা, মবুক চপলিংলকপা মসিনা লৈরিবা ফম্বাক অদুদগী লাপথোক্লা লৈনবা হোৎরকপগা লোয়ননা মখুজিননা লৈমাইদা খোৎলকপা কয়া অসি উবা ফংই।

২। খোমজিন চাউখৎলকপগা লোয়ননা নাওফম তারকপগী ফিভম উরকপগা লোয়ননা মশাগী ফিভম হোংলকপা কয়া উবা ফংই।

৩। মশাদা নুঙাইরক্তবদগী ওকপি অদু হৌনা হৌনা খোংলকপা, মচা পোক্লমদাইগী মপুক য়েকপা হেনগৎলকপদগী মফং অফংবা পোৎশক চারকপা পাখৎপগা লোয়ননা তৌফম খঙলক্তবগী ফিভম উরকপা কয়া অসি উবা ফংই।

**ওকপি অমসুং ওক মচাশিং অদু পোক্ত্রিঙৈদা অমদি পোখ্রবা মতুংদা লৌগদবা চেকশিন থৌরাং**

১। ওক মচা পোকপদু মিনিট ১২-২০ কান্না কান্নরগা পোক্লক্কনি অদুগা অশুম তৌবসি পুং ২-৪ চংলবা য়াই।

২। থোক্লক্লিবা নাউফম অদু অমগী মতুংদা অমা খুন্দোক্লগা লংথোকখিবদা পুং অনীরোম চংলবা য়াই।

৩। ওকপি অদুনা চাখিদবনা নাউফম অদু হেক থোরকপগা লৌথোক্লগা অতোপ্পা মফম অমদা ফুমজিনগনি।

৪। ওক মচাশিংদা তৈরিবা ঈ-নাই অদু ফজনা শেংদোকপিগনি লোয়না লোয়ননা নুংশা স্বর হোনবদা অপনবা পিদনবা মনাতোন মখূলনচিংবসু ফজনা লৈথোকপিগনি।

৫। ওক মচাশিংদু অইংবদগী কনবিনবা অশাবগী চাং সেন্টিগ্রেৎ ২৫-৩০° ওইবা ওক মচা থমফম অদুদা পুবিরক্তুনা থমগনি।

৬। ওক মচাশিংদা ওকপি অদুনা মশাদা ফাওবা নুঙাইতবশিং অদুনা মরম ওইদুনা ওক মচাশিং অদুবু ৱাই খাই খোৎকাইবিবদগী থিংবিগদবনি।

৭। ওক মচাশিং অদু মমাগী খোমজিন্দা থেংনহল্লগা অহানবা থোকপা নঙ নঙ লাউবা মখোম অদু খুদক্তগা পিথকপিগদবনি।

৮। খোইরি অদু সেন্টিমিটর ২.৫ শাংনা খাক্লগা ঈশিংদা ফুত্তোক্লবা মহিক মতাং য়াওদ্রবা কাতি অমনা ককথৎপিরগা পোভিদোন আইওদিন মহিগুম্বা মহিক হাৎপা ঙম্বা পোৎশক্লা তৈশিনবিগনি।

৯। করিগুম্বা মখোম থোক্তবা থেংনরবদি ওক্সিতোকসিন ইনজেকসন ওকপি অদুদা কাপিগদবনি।

১০। ওকপি অদু তরু তনানবা মফমদা পুবিরত্তুনা অশেংবা ঈশিংনচিংবা পিথকপিগনি।

১১। ওপপি অদু মচা পোকখ্রবা মতুং পুং ১২ লৈরগা মচিঞ্জাক পিজবিগনি।

১২। ওকপি অদুগী মশাগী অশাবা অদু চেক তৌগনি করিগুম্বা অশাবা অদুনা ফাইরেলহিৎ দিগ্রী ১০৫ দগী হেল্লবদি মতিক চাবা লায়েং চথগদবনি।

১৩। ওকপি অদুগী খোমি কায়বা খোমজিন অদু কুংশিল্লবা ফেরস সলফেৎ মহিনা নীংথিজনা চামথোকপিগদবনি। অদুম তৌরবদি ওক মচাশিং অদু এনেমিয়া হায়বা লাইনাদগী কনবা ঙমগনি।

১৪। ওকপি অদু মখোং লিক্লা হাম্বা (মথী লিক্লা ফাইবা) ফিভমদগী কন্নবা চেং য়াওবা মচিঞ্জাক অদুদা খোং হামহন্নবা হিদাক হাপচিনগদবনি।

# লৌ লোকপা অমদি নোংমৈগী থৌরাং তৌবা

*ব্রজমনি থৌদাম*

লৌ খাওগদবা নুমিৎ ১৫-২০ নি ফাওবা ৱাৎলিঙৈদগী ঈশিং ফাত্তোক্কনি। লৌ খাওবদা য়ারিবা মখৈ চরুখোক য়াম্না শাংনা থমহৌগদবনি। মসিনা লৌফমদা পাম্বীগী মচিঞ্জাক ৱাৎহন্দবা অমসুং লৈপাক্কী লৈওং কায়হন্দনা থম্বদা মতেং ওই। লৌ খাওবা মতমদা চদোল লামদুনা খাওরোইদবনি। চদোল লামদুনা খাওরবদি ফৌবী হায়বদা চখোক্তা চদোল ওমগনি, শিন পাংলোই, খাওরগা ফৌবোল থম্বদা চদোন্না হান্না লৈপাক্তা তাহনগনি, মতুংদা খুৎতা পায়রিবা অদু থাদোক্কনি। মচিন মখা মান্ননা মায়ওন অমত্তদা ফৌবোলশিং থমগনি। মসিনা শুনোম্বদা খুৎলোইবা হেল্লি। লৌরি মথক্তা ফৌবোল থমলোইদবনি।

য়ামদ্রবদা নুমিৎ পামফৌবা পামফৌবা ফৈ, কংবোই-কংদবোই কৈদা হাপখ্রবদি খোমনম নমই। ফৌজুমনচিংবা ইল্লি। চেং তেকই। খামতোকই। শুজা কাই। নুংশা-ফংবা মফমদা কৈ শাগনি। লৈনিন কাবনসু ফৌগী মগুণ হন্থহল্লি। অহাংবা মফমদা তোঙান্না ফুট ৩ দগী ৱাংহন্দুনা কাংথক হারগা কৈ শাগদবনি। উচি অমসুং ফৌজুম্না ফৌ কৈদা অমাং অতা থোকহল্লি। উচিদগী কন্নবা হৌদোং লোইবা অমসুং কৈ মনুংদা হৌদোং চংফম থমগদবনি। ফৌজুমগীদমক কৈ ৱাই তৈথোকপা ফৌজুম মরুম অমসুং মপী হাৎতোকহৌবা, লৌফমদসু ফৌনা মখোম হাল্লকপা মতাংদা নুভান অমুক্তং কাপথোকপা ঙম্লবদি লবুক্তদি ফৌজুম মরুম পক্লক্তুনা কৈদা চাদা নৌদারনবগী খুদোংচাবা লৈররোই অমসুং উশিংশা য়াঙ্গংবীসু তাররোই।

অফবা ফৌদি খনবা

লৌমী খরনা মশাগী ফৌদি থমহৌদবা, চিরবা মতমদা ফৌদি থীবা কোইচেন চেনবা য়াওই। মসি মতমসু মাংই মমলসু অফবা ফৌদিনি হায়দুনা হেঞ্জিন্না লৌহৌবা, অপাম্বা অফবা ফৌদিসু ফংদবা য়াওরিবনি। থৌশাহৌদবদগী লৌমীগী মাংজবা অসি, লৌমীনা খঙহৌবা তাই। বৈজ্ঞানিক ওইবা মওংদা অশেংবা অফবা লৌফমগা চান্নবা ফৌদি মতম মতমগী ওইনা সরকারনা নৎত্রগা লন্নাইগী ওইবা অচৌবা লৌউবগী ফারমদগী অফবা ফৌদি থমহৌদ্রবসু কায়দে অদুবু লমদম অসিদা হৌজিকমক্তি লন্নাইগী ফারম নৎত্রগা সরকারনা লৌমীশিংদা শকখঙলবা ফৌদি ফংহনবদা অৱাবা ওইরি, মরম অসিনা লৌমী মশামক্লা লৌফম লৌফমগা চানবা অফবা চাথোক লৈবা ফৌদি লৌহৌনবা লৌমী মশামক্কী হক য়াম্না চাওই। অফবা ফৌদি লৌহৌনবা লৌমী অমনা মখাগী ৱারমশিং অসি কাওরোইদবনি।

লৌফমদা য়াম্না শাথিনা মরেক, ফৌনা কোনশিনবা, উশিংশা য়াঙ্গংবী, উতোং শাৎপা, ফৌজুম তাখিবা লৌফমদগী ফৌদি লৌরোইদবনি।

কম্বোং শাৎপা, ফৌনা তঙ্খাই কংবা, মঙক পৎপা, ব্লাষ্ট ফৌনাদা অমদি ফৌ পাম্বীদা কোহিলং মানবা মচু মফুৎ মফুৎ পকপা, ফৌগী চরোং কোন্থদনা পুমবুম তৌরগা শাৎপা মতোন থংবা খরনা মরু চঙলগা অয়াম্বনা মরু চংবোই চংদবোই তৌবা লাইনাশিং অসি তাখিবা লৌফমশিংদগী ফৌদি লৌরোইদবনি।

উরুম লাংবা, নুংশা মরাং কায়না ফংদবা, নাপী হৌবা ফৌখোঙ মোৎপা, ফৌদি মাংবা, ঈশিং থুমখিবা, খুদাপ্তা নোং নংখিবা, মতোন থোকখিবা তোংশং নাইনা নৎত্রগা য়াম্না কেম্লগা লোকপা, ঈশিং ৱাৎপা, য়াম্না কুম থেংথনা পানখিবা নাইট্রোজেন হেঞ্জিন্না হাপখিবা, চেং তেকপা অমসুং ককই কাবা লৌফমশিংদগী ফৌদি লৌরোইদবনি।

ওল্লকপা চহীগী করম্না ফৌদি খনগনি

ফৌনা মরু হায়থরক্লবা মতমদগী খোইঙাং শারকপা মতাং ফাওবদা ফৌদি লৌগে খল্লবা লৌফম অদুমক্তা খৌশাৎ মান্নদবা, ৱাংবা মান্নদবা, পাল্লকপা ফৌগী মরুগী মওং তোঙানবা অমদি উরিৎচাক্লচিংবা মাংজৌননা লৌখাওদ্রিঙৈদা লৌথোকহৌবা তৌদবা য়াদ্রবা লৌমী অমগী মথৌনি। উরিৎ চাক ককপা মতমদা মখোঙ থেংনা কককদবনি। মতোন্দা কক্লবদি মশা থুনা লোঙথোক্তুনা য়াম্না থুনা মরু অমুক পাল্লক্লবগী শক্তি পাম্বী অসিদা লৈ।

লৌ লোক্ত্রিঙৈগী মমাংদা লৌফমদা ফক্লেন হেক তিংথোকপগা শুমচিৎ অমনা শেংনা শিত্তোকহৌগনি। অসুম্না অতোপ্পা ফৌ পক্ত্রবা ফক্লেন অদুদা ফৌদি ওইগে খল্লবা মনথোক্লবা ফৌ অদু হান্না ফৌ বীতমক হায়দুনা অতৈ ফৌশিং য়ৈদ্রিঙৈদা য়ৈথোকহৌগনি। চৈরোং পাইদ্রিঙৈদা ফৌবীতমক হায়রগা তারকপা ফৌশিং অদু তোঙান্না মথং চহীগী ফৌদিগীদমক থমহৌগনি। ফৌদি বোরাখাওদা হাল্লগা তোঙান্না থম্বনা ফৈ। বোরাখাওশিং অদু ফৌদি হান্দ্রিঙৈদা শেংনা কম্থোকহৌগদবনি। য়ুম য়ৌরগা নুংশাদা কংনা ২-৩ লক ফৌদোক্লবা খপতোক্লবা মতুংদা লৈবাক্তগী ফুৎ ৩ ৱাংবা মফম কাংথক হাদুনা উচি চংলোইদবা মফমদা থমগদবনি। মরক মরক্ত নুংশা য়াম্না শাবা নুমিত্তা ফৌদোক্তুনা ফৌজুম্নচিংবা চংদনবা হোৎনগনি।

**খরা হেন্না ফগৎনবা মওংদা ফৌদি খনবা**

লৌ খাওদ্রিঙৈদা কাতি নৎত্রগা থাঙ্গোল শীজিন্নদুনা, মমুন ফারবা মুনবা মান্নবা, লায়না তিননা পক্তবা, অচুম্বা চরোংশিং ফৌদিগীদমক্তা হান্না লোকশিলহৌবা য়াই। মসিসু অফবা ফৌদি ফংনবা অফবা পাম্বৈ অমনি।

অচুম্বা চরোং অমখক্তদগী নৎত্রগা ফৌ মরু অমখক্তদগী লৌমীশিংনা অশেংবা অফবা মখলগী ফৌদি ফংনবা হোৎনবসু য়াই মতম চংই, মতুংদদি কান্নরক্কনি। চহী খরা চংজরবসু মসিগী পাম্বৈ অসি শীজিন্নরবদি ফৌদি মাংলরোই। হেন্না চাথোক লৈবা অফবা মকলগী ফৌ পুথোক্লবগী পাম্বৈ অমসু ওইগনি। করিগুম্বা ফৌ মরু অমখক্তদগী শন্দোরক্লবা হোৎনরকপদা, ফৌশক মান্নদবা, মহাও মান্নদবা, চেংগী মচু মান্নদবা, ৱাংবা মান্নদবা, ফৌ মখল মান্নদবা পাল্লকপা ফৌ মরুগী মওং তোংঙানবা য়াওরক্লবদি ফৌ মখল অদু মশাগী শক্তম লেপ্প্রিবা ফৌনি হায়না লৌগনি। অসিগুম্বা ফৌ পাম্বীদগী হৌদোক্লগে খল্লবদি অপাম্বা ফৌশিং অদু চহী খরা হন্না হন্না থারবা মতুংদা মশাগী শক্তম লেপলকপগা লোয়ননা মরু কুঙনা কৃক কৃক ইনশিনন্না পানবা, পৌতক তৌবা, চেংথোক লৈবা লায়না তিন্না পক্তবা মিটর অমগী ময়াদা ৱাংবা মখোক কনবা, মনা চপ য়ুংবা, চরোং চুম্বা মনা কন্দবা, মমু পান্দবা চেং তেক্তবা য়াম্না মরু ওই। চেং তেক্তবা খন্নবগীদমক্তা খৌ অদুনা মমুন ফারগা খোকতুনা য়েংবদা চেংগী ময়াইদা নৎত্রগা মতাই ওইরপ্পা ফৈনা চেং তেকপগী ময়ি লৈবা উগনি। ফৌ মরু অমদা ময়ি অমদগী মরি ফাওবা লৈবা য়াওই। চেং তোকপা মমা পুকনুংগী লোইনরকপা ওইরবদি তোংশং নাইনা লোক্লবসু চেং অদুম তেক্কনি। অসিগুম্বা ময়ি লৈবা ফৌশিং ফৌদিগীদমক খল্লোইদবনি।

ফৌ মচা লৌরকপদগী ফৌ অমগী শক্তম মপুঙ ফানা লেপ্পা অসি চহী ৮-১০ ফাওবা লমদম অসিদা চংই। ৱানা মতম চংনা পুথোরক্লবা হোৎনবদা লমলক্কী উচেক, য়ুমশাশিং ফৌজুম অমসুং উশিংশা য়াঙ্গংবী অমদি লাইনাশিংদগী ঙাকথোক্লবা লবুক্তা চেকশিন থৌরাং পাইখৎহৌবগা লোয়ননা ফৌদি হাপ্নবা বোরাখাওসু ফুৎতোক্কনি। ফৌদি হাপনবগীদমক মীতৈগী ঙবোংখাও শীজিন্নবনা ফুৎপদা খুদোং চায়।